আই এল পি পীবা খুদক্তা লেপকদবনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুরদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী লুরবা মতমসিদা ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) পীরিবা অসি খুদক্ত লেপকদবনি হায়না ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এম মনিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা মীয়াম্না য়ুম-য়ুমগী মপান থোক্তনা লৈনরিঙৈ লোকদাউন, কর্ফিয়ু থমদুনা কোভিদ-১৯ পুন্না থেংনমিন্নরিঙৈদা আই এল পি পীদুনা মপান্দগী মীওই কয়া পুশিল্লকপা অসিদি লমদমসিদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ পুশিল্লকপগুম্বনি। লোকল ট্রান্সমিসন তৌদুনা মীওই কয়া অমসু হৌজিক শিবা য়াওরে। করিগুম্বা লায়না-লাইচৎ অসি হেন্না পাকশন্না শন্দোরক্লবদি য়েলহৌমী তুম্না মাঙখিগদ্রা হায়বা চিংনরে। মরম অদুনা মপানগী মীওইশিংনা ময়ুমদা হন্নিংবা তারবদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন্না পাংবা য়াবা মতেং পাংজগে। লৈঙাক্লসু আই এল পি পীবদি লেপ্পীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এ এলনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : রাম কৃষ্ণ মিসন স্কুল, উরিপোক্তা অখন্নবা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোক্লবগীদমক অয়াবা পীবীনবা রাম কৃষ্ণ মিসন, ইম্ফালগী মীহুৎ ওইরিবা নরেসানন্দদা সী আর পি এফ পর্সনেলশিংনা এপ্রোচ তৌরকখিবা অদু সী আর পি এফকী ৮৬শুবা বট্টালিয়ন্ননি, সী আর পি এফ গ্রুপ লাংজিংনা নত্তে। সী আর পি এফকী ৮৬শুবা বট্টালিয়নগী ওইবা ক্রপশিংগীদমক অখন্নবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমসু অতোপ্পা মফমদা শীললাংখ্রে হায়না উরিপোক অপূনবা লুপ (য়ু এ এল)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি চিংথং এননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.387263
US Dollar	74.995475
British Pound	97.898810
Australian Dollar	53.679581
Chinese Yuan Renminbi	10.763506
Japanese Yen	0.708053
Malaysian Ringgit	17.909119
Singapore Dollar	54.635283
South Korean Won	0.063068
Saudi Arabian Riyal	19.998793
Thai Baht	2.400389
Myanmar Kyat	0.05513
Bangladesh Taka	0.88412

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	56421.00
Mumbai	–	Rs	56090.00
Delhi	–	Rs	56117.00
Kolkata	–	Rs	56243.00

GAS NEWS

RBD INDANE SERVICE
Booking Upto: 26/06/2020
Valid From : 15/06/2020
Stock : 397
All Customers are Home Delivery
Working hours : 7:30am -12:00 Noon (Every Day Except Holiday)
Contact no.: 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking Upto : 21/06/2020
Valid From : 13/06/2020
HOME DELIVERY ONLY
Contact no: 9089709738, 7005204180, 8787566191
Timing: 8.00 am to 11:00am
Will be delivered for 3 days

GBD INDANE SERVICE
Booking Upto : 21/06/2020
Valid From : 10/06/2020
Stock : 343
All Customers are Home Delivery
(Delivery within 4 days)
Working hours : 7:30am -12:00 Noon (Every Day Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

M/S MISAO GAS SERVICE
Booking Upto : 19/07/2020
Valid From : 09/07/2020
19kg Available
ONLY HOME DELIVERY
For delivery service Please contact : 7085738631 or 8119967523
Call Timing: 8:00am - 2:00pm

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto : 06/07/2020
Valid From : 06/06/2020
HOME DELIVERY ONLY
Contact Nos.: 8730954041, 8259969582
Call Timing: 08:00am-11:30am

লৈঙাক্লা তাবীদনা নাথৈদুনা লাক্লি : এস টি দি সী এম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): য়েলহৌমী মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব এস টিগী লিষ্টতা য়াওহন্দুনা কনষ্টিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীয়ু হায়বদা মণিপুর লৈঙাক্লা তাবীদনা নাথৈদুনা লাক্লি হায়না সেদ্যুল ত্রাইব দিমান্দ কম্মিটি মণিপুর (এস টি দি সী এম)গী পব্লিসিটি সেক্রেটরি ৱাইখোম আনন্দ মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৮২দা য়ুনাইটেদ নেসন্স (য়ু এন)গী ৱার্কিং গ্রুপ ওন ইন্দিজিনস পোপ্যুলেসন্স ওফ দ সব-কম্মিসন ওন দ প্রমোসন এন্দ প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী অহানবা মীফম ফম্বা হৌবা নুমীৎ ওগষ্ট ৯বু য়ু এন জেনরেল এসেম্ব্লীগী রিজোল্যুসন ৪৯/২১৪না চহী খূদিংগী 'ইন্টরনেসনল দে ওফ দ ইন্দিজিনস পিপলস' হায়না লাউথোকখি। নুমীৎ অদুদগী হৌজিক ফাওবা য়ু এন য়াওনা মালেমগী মফম অয়াম্বদা চহী খূদিংগী ওগষ্ট ৯বু মালেমগী য়েলহৌমীশিংগী নুমীৎ ওইনা নীংশিংদুনা থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা য়ু এননা চহী-চহীগী ওইবা থীমসু লাউথোরকপা য়াওরি। লাইবক থীবদি হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইদুনা চহী অসিগীদি য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ভর্চ্যুএল ইভেন্ট ওইনা পাঙথোক্লি।

এস টি দি সী এমনসু য়েলহৌমীশিংগী নুমীৎ অসি পীকপা চাউবা থিদনা কুমজা ২০১৪দগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি। অদুবু চহী অসিগী ওইনদি কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা কম্মিটিগী থৌমীশিংগী ওইবা, প্রসিদেন্টকী লীচিং মখাদা ৱাটসএপতা ওনলাইন দিস্কসন ওইনা তৌদুনা নুমীৎ অসি চন্না পাঙথোকখ্রে। চহী অসিগী ওইনা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা লাউথোকখিবা থীমদি 'ইন্দিজিনস পিপলস লেংগ্বেজেজ'নি। অদুগা ওগষ্ট ১০ দা কোভিদ-১৯ অমসুং ইন্দিজিনস পিপলস রেজিলেন্স হায়বা থীমদা ভর্চ্যুএল ইভেন্ট/দিস্কসন পাঙথোক্লবসু হায়রি। এস টি দি সী এমগী ওইনা য়ু এননা পীরিবা থীমশিং অসিগী মথক্তা লোকল থীম 'মৈতৈ/মীতৈস-দ অনরিকগনাইজ ইন্দিজিনস পিপলস ওফ মণিপুর' হায়বা অমগা হাপচিল্লগা খন্ন-নৈনদুনা থৌরম পাঙথোকখি। খন্ন-নৈনবা অদুদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ইন্দিজিনস পিপলসশিংগী রাইটশিং প্রমোট তৌবগা লোয়ননা প্রোটেক্ট তৌনবা ওগষ্ট ৯দা ৱর্ল্ড ইন্দিজিনস পিপলস দে থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা আর্টিকল ৪৬ য়াওবা '৬১/২৯৫ য়ুনাইটেদ নেসন্স দিক্লারেসন ওন দ রাইটস ওফ ইন্দিজিনস পিপলস (য়ু এন দি আর আই পি)'সু য়ু এন জেনরেল এসেম্ব্লীনা কুমজা ২০০৭তা এদোপ তৌখিববুসু নীংশিংনখি।

অদুবু পুম্নমকসিগী ওন্ন-তৈনবা মানবা মওংদা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী প্রোভিজনগী মতুংইন্না য়েলহৌমী মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল ত্রাইব এস টিগী লিষ্টতা য়াওহন্দুনা কনষ্টিট্যুসনগী ঙাক্লৌ পীয়ু হায়বদা মণিপুর লৈঙাক্লা তাবীদনা নাথৈদুনা লাক্লি। মসিদি মালেমগী লৈবাকশিংগী লূপ য়ু এনগী মার্জিনেলাইজ য়েলহৌমীশিংগী হকশিং ঙাক্লবা হোৎনদুনা, রেক্কমেন্দেসন তৌরিবশিং অদু থওইদবনি হায়বদা হায়মনবা ওইরোই। মীতৈ/মৈতৈশিং অসি মণিপুরগী নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লৈরক্লবা য়েলহৌমীশিংগী মনুংদা অমনি। মরম অদুনা কনষ্টিট্যুসননসু য়ারবা, য়ু এনসু য়েলহৌমীশিংগী রাইটসকা মরী লৈনবা থবকশিং লুম্না লৌবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোকপদা পূক্নিং থৌগৎলিবা পুম্নমকসি য়েংবীরগা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক্তা ওন্থোকপীফম থোকই।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী থীমগী মতুংইন্না ইন্দিজিনস পিপলস লেংগ্বেজেজ চাউখৎহন্নবা, মুৎখিদনবা য়োকখৎপা হায়বসি লোল অদুগী হৌরকফম ওইরিবা, ঙাংলিবা য়েলহৌমীশিং অদু কনবগা দাইরেক্ট মরী লৈনরিবনি হায়নিংই।

অরোইবদা ওগষ্ট ৯না লাকপদা মালেমগী য়েলহৌমীশিং য়াইফবা, চাউখৎপা ওইরসনু হায়না তাইবং মপুগী মফমদা খুরুমজরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ভিলেজ এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন- লখিপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি অমদি টিম কোঞ্জেং লৈকায়গা খুৎশম্নরগা লখিপুরগী মনুং চন্না লৈরিবা কোঞ্জেং লৈকায় খুন অসিগী মহৈরোয়, নহারোল, ওজা, গুরু কয়া য়াওনা হৌজিক ওইরিবা লোলগী ইস্যু অসিগী মতাংদা ভিলেজ এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন অমা পাঙথোকখ্রে।

হৌজিক ওইরিবা লোলগী ইস্যু কয়া অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখি। চাউরাক্লা মহৈরোয় অমদি নহারোল পুন্না ৭০ রোম হেনবনা এৱেয়র্নেস কেম্প্যেন অসিদা শরুক য়াখি। অশাংবম স্বাপন, অরাম্বম গৌরোকিশোর অমদি কোঞ্জেং লৈকায়গী চন্দ্র সেখরনা মণিপুরী লোল অসি শিথরকপা অমদি হৌজিক ওইরিবা অৱাবা কয়া অসিগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু নহারোলশিংগী ওইবা মীফম কয়া পাঙথোক্লগনি। চথরক্কদবা কেম্প্যেনশিংদা মীয়াম্না মহৈরোয় লূপপু মতেং পাংবীয়ু হায়না আমসু-লখিপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কব্রাবম বিক্রমজিৎনা মীফমদুদা ফোঙদোকখি।

নফসাগী চেঙ পীফম থোকপা চাং য়ৌনা পীবীদ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা)গী চেঙ অসি সঞ্জেনবমগী মীয়ামদা পীফম থোকপা চাং য়ৌনা পীবীদ্রে হায়না সোসল য়ুথ ওর্গনাইজেসন (এস ৱাই ও)গী প্রসিদেন্ট ঙাঙোম নিংথেমজাওনা ফোঙদোরক্লি।

ঙাঙোম নিংথেমজাওনা ফোঙদোরকপদা, নফসাগী কার্দশিং রিন্যু তৌগনি হায়না কুমজা ২০১৯দা লৌখিবদগী ঙসি ফাওবা কার্দ হোল্ডরশিংদা কার্দশিং পীথোক্তনা লৈরি। হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। মালেম পুম্বদা অচৌবা শাফু অমা ওইরিবা কোভিদ-১৯না মণিপুরদসু অচৌবা শাফু পীরকপদগী টোটেল লোকদাউন চথরি। নোংমগী শুরগা হিংজবা শিন্নী কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। নফসাগী চেঙ অসি কার্দ হোল্ডরশিংদা শুপ্নগী চেঙ কেজি ৪/৪ খক পীরি। কোভিদ-১৯না পীরকপা শাফুনা চৈথেং কয়া পীরক্লিঙৈ চৈরক অসিদা লায়রবা মীয়ামগী চাকখাউ থৎলিবশিংগী মথক্তা লৈঙাক্লা মরী লৈনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। মীয়ামদা পীফম থোকপা চেঙ মপুং ফানা ফংহল্লু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অনাবা লায়েংবা ঙমদবা হোস্পিটালশিং মখা তানা চলাইদবনা ফগনি : সুক

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা অসুক লুরবা মতমসিদা অনালায়েংবা ঙমদবা হোস্পিটালশিং মখা তানা হোস্পিটাল চলাইদবনা ফগনি। মাঙজৌননা লৈবাক মীয়াম খঙনা হোস্পিটাল চলাইবা তোকপীয়ু হায়না ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)না ফোঙদোরক্লি।

সুককী ৱিমেন্স ৱেলফেয়র সেক্রেটরি সনুকা নামৈরাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেমদা কোভিদ-১৯না লেপ্পা লৈতনা শাফু কয়া ঙসিসু পীরকপা লেপত্রি। ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক অসিদসু হেন্না কনবা শাফু কয়া পীরক্তুনা মীওই ৩০০০গী মথক্তা লাইচৎ অসিনা নাখ্রে। লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওইসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। অসুক লুরবা মতমসিদা লৈকায়-লৈকায়দা শম্বল খাজিন্দুনা ইমর্জেন্সি কেসশিং থোক্লকপা মতমদা য়াম্না ফীভম চাদবা কয়া মায়োক্লবগী পাউ তৎতনা তারি। মরম অদুনা ইরমদম কংলৈপাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কংলৈচা পুম্বগী মফমদা সুকনা অসিগুম্বা লায়না অসিবু কিদুনা মীওইবা ঐখোয়গী মরক্তা খুদোংচাদবা হেন্না থোকহল্লিবা থবকশিং অসি মতুংদা থোকহনবীদনবা মীয়ামগী মফমদা আপিল তৌজরি।

কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি ঙসি হয়েং ফখিগদবা, লোইখিগদবা লাইচৎ অমদি ওইগনি হায়না থাজদে। মরম অদুনা কোভিদ-১৯গী দ্যুটিদা য়াওদনা গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেটকী হোস্পিটালশিংদা মথৌ তৌরিবা ডোক্তর, নর্স, মেদিকেল ষ্টাফ পুম্বনসু ৱাখল পীকশিন্নদনা কথোকপগা লোয়ননা তৌবীরিবা থবকশিং অসিদা পূক্নিং চঙবীয়ু। থবক ছুটি লৌবা, লায়না লুশিল্লক্লে হায়দুনা কিদুনা চেনবগী হৈনবী থাদোকপীদুনা ইমর্জেন্সি কেসশিং লাকপা মতমদা লায়েংবীনবা শেম-শাদুনা লৈবীয়ু। নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা মীরোনবী মমা কয়া লায়েংবীনবা লৈতবদগী লৈখিদবা, ঈশিংদা তাদুনা, মৈনা চিংদুনা অরুবা ফীভমদা হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখৎলকখিবা মীওই কয়া লায়েংবীনবা লৈতবদগী লৈখিদবা, তাবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া অসি মতুংদা অমুক থোক্তবা ওইরসনু। কোভিদ-১৯ কিবগীদমক হোস্পিটালদা য়ৌরক্লবা অনাবা অমবু লায়েংবীদনা লৈখিদ্রে হায়বা থৌদোক অসি থোক্লক্লবদি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাকনসু তুমীন্না খক লৈথোক্লোই। করিগুম্বা অসিগুম্বা থৌদোক মখা তানা থোক্লক্লবদি চেন্নরিবা হোস্পিটাল, মথৌ তৌদ্রিবা মীওই পুম্বগী মথক্তা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা চৈরাক পীনবা ঈহৌ লাকপা য়াই।

য়াম্না লাইবক থীবা থৌদোক অমদা মশাগী চহী ২০ খক্তমক ঙাইরিবী কনপাটলিয়ু কামৈবু দেলিভরি কেসকীদমক ইম্ফালগী হোস্পিটাল ৫দা চৎলফাও লায়েংবা ফংদনা হোস্পিটাল অমগী গেটতা লৈখিদবা থৌদোক অসি সুকনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা লৈঙাক অসিনা শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটিনা অথুবা মতমদা থিদোকপীদুনা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অদু লৈবাক মীয়ামদা খঙহনগদবনি। থৌদোক অসিদা চেন্নরম্বা পুম্বা মতম চানা এক্সন লৌখৎতুনা মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি।

ডোক্তর, নর্স হায়রিবা ফজরবা শিনফম, মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা সেবা তৌরিবা ইথৌদাং অদুদা মায় ওনশিনবীয়ু, মীয়াম্না ঈকায় খুম্নরিবা মীয়ামগীদমক তুম্বা চাবা খঙদনা থৌগল তৌনি হায়না তৌবীরিবা থবক অদুবু মীয়াম্না তোলোপকীদমক, মিংথোনগীদমক তৌবা মানবা মওংশিং উহনবীগনু। মীয়াম্না ঈকায় খুম্নরিবা কোভিদ-১৯গীদমক কথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকচরিবা ডোক্তরশিং, নর্সশিং অমদি মেদিকেল ষ্টাফশিং অসিগী মায়দা কোভিদ-১৯ কিদুনা মথৌ পাঙথোক্তনা লৈরিবা মেদিকেলগা মরী লৈনবদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনা অমুবা মুক তৈশিনবীগনু। কংলৈচা পুম্বনসু পুন্না ৱাখল তামিন্নদুনা ডোক্তর, নর্স অমদি মেদিকেল ষ্টাফ পুম্নমকপু ঈকায় খুম্নবা উৎপীয়ু অমসুং পূক্নিং শোন্থগদবা থবক তৌবীগনু।

হোস্পিটালদা দ্যুটি চৎলুবা মীওই অদুবু মীয়াম্না তুক্কৎচবা ওইনা লৌরক্লবদি কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা পুম্নমক অসিনা লেপ্তুনা লৈখ্রবদি মখোয়বু য়াম্না কিরুবা তুক্কৎচরুবা মীওইশিং অমদি কনাগুম্বা অমা নারকপা মতমদা কদায়ৱাইদা লায়েংগনি হায়বা ৱাখলসি খনবীদুনা মেদিকেলগা মরী লৈনবা থবক তৌরিবশিং অসিবু পূক্নিং শোন্থগদবা অমদি মখোয়না তাবা নুংঙাইরোইদবা ৱা হায়বীগনু। মদুগী মহুৎতা লৈকায়-লৈকায়দা ক্লব এসোসিএসনশিংনা কোভিদ-১৯গী লুরবা মতমসিদা মথৌ পাঙথোক্লিবা মেদিকেল ষ্টাফ পুম্নমকপু ঈকায় খুম্নবা উৎপীয়ু, মখোয়বু পূক্নিং থৌগৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

প্রধান সুমিলানা চান-থক্লবা পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী ৱাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান ওইরিবী তেকচম ওংবী সুমিলানা ঙসি ৱার্দ মেম্বরশিংগা খুৎশম্নরগা জি পি অসিগী অপূনবা য়ুমথোঙ ১২০০ হেনবদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিং অদুদি, ঙারি, তিলহৌ, অচাথাউ, পাফর অমসুং থুমনি। এস ও পিগী কাঙলোনশিং ঙাক্লা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা অদুগা মরী লৈননা প্রধান সুমিলানা হায়খি, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি থদৎনবা মণিপুর লৈঙাক্লা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু থমখিবদগী মীয়াম মপান থোকপা য়াদবা অদুনা মরম ওইরগা মীয়াম্না ৱারিবসি খরদং ওইরবসু কোক্লবা হায়দুনা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপনি। মমাঙগী অহানবা লোকদাউনদসু জি পি অসিগী মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি। হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি হায়খি।

প্রধান সুমিলানা মখা তানা হায়, হান্না পাউ ওইনা তারম্বা লায়না অসি হৌজিক্তি ঐগী ঐগী কৈরোই-লৈকায়, ইখুঙ্গংদসু শন্দোরক্লে। মসিদগী মখা তানা শন্দোক্তনবা মীয়াম্না ৱারবসু ৱানা য়ুম-য়ুমদগী মপান থোকপীগনু। তঙাইফদনা মপান থোক্লবসু সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। মাস্ক উপ্পা অমদি খুৎ তোয়না হামদোকপা কাউবীগনু। লাইচৎ অসিগী হিদাক পুথোক্ত্রিবা ফাওবদি মীওইবা মরক্তা অদুম লৈরগদবা মহিকনি। ইশা-ইশানা কোভিদ-১৯গা লোয়ননা হিংবা তম্বগী তঙাইফদবা লৈ। য়ারিবমখৈ চেকশিনবীয়ু। লাইচৎ অসি থদৎপদা মীয়ামগী অচৌবা মতেং মথৌ তাই হায়বগা লোয়ননা মীয়ামদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকপদা জি পি অসিগী অপূনবা ৱার্দ ১০গী মেম্বর খূদিংমক্লা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনবীখিবা অদুবুসু প্রধান সুমিলানা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মরক অসিদা, প্রধান অসিগী মীৎয়েং মখাদা জি পি অসিগী মফম শিনবা থুংবদা পব্লিসিটি চৎতুনা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাংশিং মীয়াম্না লৌখৎপীয়ু। মীয়াম্না য়ুম-য়ুমদগী মপান থোকপীগনু হায়বা পাউজেল অমসু ঙসি চৎখি।

মাইফাগী দিমান্দ শৌগৎলদুনা অসামগী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱালদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : মাইফাগী দিমান্দ শৌগৎলদুনা ঙসি অসাম লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরাগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর লোলবু অসাম লৈঙাক্লা এসোসিএট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইনা শক্তাকপীনবা মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট ওফ অসাম অমসুং মহৈরোয়শিংনা তাল্লিবা দিমান্দ শৌগৎতুনা মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরানা অসাম লৈঙাক্তা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে। অসাম লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টর সর্বানন্দ সোনোৱাল অমদি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর হেমন্ত বিশ্ব শর্ম্মাদা তোঙান তোঙান্না পীশিনখিবা মেমোরেন্দমদা অসাম লৈঙাক্কী লেংগ্বেজ পোলিসী অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মণিপুরী লোল ঙাংবা ফুরুপ অসিদা অরানবা থৌওং অমা চৎপীরে হায়নসু পনখি।

মণিপুরী মীশিং য়াম্না তারিবা বরাক তম্পাক্তা মণিপুরী মেদিয়মদা স্কুলদা লাইরিক তম্নবতা নত্তনা মণিপুরী লোলদা গ্রেজ্যুএট অমদি মাষ্টর দিগ্রী লোয়শিনবা য়ারে। অদুগীসু মথক্তা পি ঐচ দি ফাওবদা মণিপুরীদা অসাম তাইবং মহৈকোল, সিলচরদা চহী কয়া মমাঙদগী তম্নরি। অমরোমদা, মণিপুরী অসি সাহিত্য একাদেমী, ন্যু দিল্লিনা শকখঙবীবতা নত্তনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবীদুনা ঈকায় খুম্নরিবা লোলনি।

অসিগুম্লবা লোল অসি বোদো, অসামিজ অমসুং বাংলালোলগুম্না অসাম লৈঙাক্লা খুদোংচাবা পীফম থোকই হায়না পনখি। মরম অদুনা অসামদা লমদম অদুগী মণিপুরীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অদু মণিপুরী ফুরুপ অসিগীনি খনবীদুনা মালেমদা লৈরিবা মণিপুরী লূপ অমদি লন্নাই মীওইশিংনা শৌগৎফম থোকই হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

উ-চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ য়ুথ ওর্গনাইজেসন (য়ু ৱাই ও)না শিংজমৈ ৱাংমা ভৈগ্যাপতি লৈকায়গী অকোয়বদা উ-চারা থাখ্রে।

উ-চারাশিং থাখিবা অদুদা য়াইস্কুল এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ সত্যব্রত, আই এম সী ৱার্দ নম্বর ১৮গী কোর্পোরেটর এল ইনুংঙানবী অমদি ৱার্দ মেম্বর এন চাবীসু শরুক য়াখি। উ-চারা থাবগী থৌরম অসি কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং ঙাক্লা মপুং ফানা পাঙথোকখি। উ-চারা থাখিবা অসিগী নুংগী ওইবা পান্দমদি নোংমা কাংদনা শাবগী চাং হেনগৎলক্তুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোক্তুনা মীওইবা খুন্নাইদা পীরক্লিবা চৈথেংশিং অসিদগী খরমখৈ ঙাকথোকপদা মতেং ওইনবনি হায়নসু য়ু ৱাই ওগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : ওল কোংবা রোদ য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন অমদি ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকা খুৎশম্নদুনা হৌজিক মণিপুরদা নোংমা কাংদনা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং হেনগৎলক্তুনা মীপায়বা পোক্লরিবা ফীভম অসিদা লৈকায়-লৈকায়গী ক্লবশিং অমদি মীয়াম্না করি থৌদাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা কোংবা ক্ষেত্রি লৈকায় পান্থোইবী মান্দপতা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে।

মীফম অদুদা রিমসকী কম্যুনিটি মেদিসিনগী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রোফেসর ব্রোগেন, আই আর সী এস, ইম্ফাল ইষ্টকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইনা মরুওইবা ৱাফম কয়া থমখি।

প্রোফেসর ব্রোগেননা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা মীয়াম্না কা হেন্না মীপায়নিংঙাই লৈতে। লায়না অসিগী অমদি ভাইরসসিগী মতাংদা মুন্না খঙবীরগা করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বা কাঙলোনশিং অদু ঙাক্লা চৎলবদি ভাইরস অসিদগী ঐখোয় ঙাকথোকপা ঙমগনি। মীপায়বা কয়ানা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লক্কদবদগী ঐখোয় পুন্না ঙাকথোকমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

আই আর সী এস, ইম্ফাল ইষ্টকী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বনা হায়খি, লৈকায়-লৈকায়গী লৈরিবা ক্লবশিংনা অপূনবা ফোর্স অমা শেমদুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকমিন্নবা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই। মসিগীদমক মীয়াম পুন্না কোভিদ-১৯গী মতাংদা খঙবা মথৌ তাই। শম্বল খারগা কোরোনা থিংবা ঙম্লোই। কোভিদতগী ঙাকথোক্লনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা ফেস মাস্ক, পি পি ঈ মতৌ করম্না শীজিন্নগনি হায়বনচিংবসু দেমোন্সত্রেট তৌদুনা উৎখি। লোয়ননা শরুক য়াখিবা খূদিংমক্তসু ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিগী মায়কৈদগী ফেস মাস্ক য়েন্থোকখি।

এন এস সী এন (কে)...

লামায় ১গী মখা... টোককী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা হন্দক্তা চীফ মিনিষ্টর নৈফিয়ু রিওদা থারকখিবা চেরোল অমনা মীয়ামদা চমম্নবা পোকহল্লে।

সুমি অফুয়েমী হো হো (এস এ ঐচ) নসু অথুবা মতমদা নাগাগী ৱাথোক লোইশিনবীনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা তকশিনখ্রবনি। নাগা মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইট ফংহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংদুনা লাকখিবগীদমক অনরিপ্রজেন্টেটেদ নেসন্স এন্দ পিপলস ওর্গনাইজেসন (য়ু এন পি ও) বু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা এস এ ঐচনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, মতম শাংনা অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লবা নাগা মীয়ামগী খল্লগা অথুবা মতমদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা নাগাগী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনফম থোকই। আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱারস এক্ট অমদি দিষ্টর্ব এরিয়া এক্ট লৌথোক্লবগী মতাংদসু লূপ অসিনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিনখি।

'ভেলেন্টিনাবু ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইবগী মতম শাংদোকহনবীয়ু'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস) : ভেলেন্টিনা এলাংবমবু চীফ মিনিষ্টরগী গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইবগী মতম খরা লৈঙাক্লা শাংদোকহনবীয়ু হায়না হিয়াংলমগী তোঙান তোঙানবা ক্লব ১১গী অপূনবা বোদি ওইরিবা এস ঈ দি ও হিয়াংলমনা আপিল তৌরক্লি।

ৱাফম অসি হিয়াংলম গ্রাম পঞ্চায়টনা এস ঈ দি ও হিয়াংলমগা পুন্না খুৎশম্নদুনা হিয়াংলমদগী লমজাও চৎখিবা লম্বীদা বোকুল পাম্বীশিং থাবগী থৌরমগা মরী লৈননা সেদোগী মীহুৎ এম প্রেমজিৎনা ফোঙদোকখিবনি।

কায়থরক্লবা মহৌশাগী শক্তম কন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ভেলেন্টিনা এলাংবমনা গ্রীন মণিপুর মিসনগী ব্রান্দ এম্বেসেদর ওইবগী মতম লোইশিল্লক্লে। কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা মহাক্লা পাঙথোক্লিংবা থবকশিংসু নীংথিনা পায়খৎপা ঙমখিদবসিগী য়েংলগা লৈঙাক্লা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

রেদ জোনশিংদা নুমিৎ ১৪নি...

লামায় ১গী মখা... খুদিংদা সর্ভে তৌবা; চিংননীংঙাই ওইবা মীওই অমবু অনীরক হন্না টেষ্ট তৌবা নৎত্রগা তঙাইফদ্রবদি অহুল্লক ফাওবা টেষ্ট তৌবা; লায়রবা মীওইশিং হোম ক্বারন্টিন নৎত্রগা ময়ূমদা লেংদনা লৈরগা লায়েংনবগী তাঞ্জা পীদবা; কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী তোখায়বা ক্বারন্টিন সেন্টর হাংদোকপা; মপান্দগী হল্লকপা মীওইশিং নুমিৎ ১৪নি ক্বারন্টিন সেন্টরদা থল্লবা মতুংদা অতোপ্পা নুমিৎ ১৪নি অমগা দেজিগনেটেদ ক্বারন্টিন সেন্টরদা থন্বা; রেদ জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা কন্টেক্ট ত্রেসিং তৌবগী মহুত্তা অনীরক হন্না টোটেল সর্ভে চথবা; অহেনবা টেষ্টিং কিট অমসুং পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্টশিং ফংহনবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা লায়েংশঙ খুদিংমক্তা মহৌশাগী মতৌগুম ও পি দি মথৌ তৌহনবা হায়বসিনি।

এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেলর পোষ্টকীদমক...

লামায় ১গী মখা... স্ক্রিনিং টেষ্ট অসিগী মতাংদা পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লাই তৌবা য়াওখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর অমগা পাউচে অসিগা শানখিবা ৱারীদা মহাক্লা হায়, ভি সীগী পোষ্ট অসি হাঙলকপদগী মসিবু মেনশিন্নবগীদমক এম ঐচ আর দিনা অহানবদা এপ্রিল ২০, ২০২০বু এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনি হায়রকখি হায়রি। অদুবু মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিনা নোবেল কোরোনাভাইরস (কোভিদ-১৯) পেন্দেমিককী মায়োক্তা লোকদাউননচিংবগী অথিংবশিং থমজিল্লকখিবনা মরম ওইরদুনা এপ্লিকেসন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ অসি মে ২০,২০২০ অমসুং জুন ২০, ২০২০দা থেঙ্খাং অনীরক থোক্লা শাংদোকখিবনি হায়রি। মসিদগী মিনিষ্ট্রিনা পীখিবা মতমসিগী মনুংদা এপ্লিকেসনশিং ফাইল তৌনখিবশিংগী মনুংদা মহাকসু অমা ওইনা য়াওখিবনি। পোষ্ট অসিগী এপ্লিকেসনশিং অসি ওনলাইনদা সবমিসন তৌবা য়াদবদগী হার্দ কোপিশিং ওইনা পীশিন্নখিবনি হায়রি।

প্রোফেসর অসিনা মখা তানা হায়বদা, এপ্লিকেসনশিং অসিদগী রুলগী মতুংইন্না খনগৎলবা কেন্দিদেটশিং অদুগী লিষ্ট অমা মণিপুর লৈঙাক্তসু থারক্তুনা লৈঙাক্কী ওইনা রেক্কমেন্দ তৌনীংবা কেন্দিদেট খরগী মতাংদা হংলকখিগনি। রেক্কমেন্দেসন অদু ফংলবা মতুংদা এম ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌরগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভিজিটর ওইরিবা লৈবাকসিগী প্রসিদেন্টতগী অয়াবা লৌরগা ওর্দর থোক্তুনা এপোইন্টমেন্ট পীগদবনি হায়না ফোঙদোরকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়বদা, ভি সীগী পোষ্ট অসি মশাগী চহী ৭০শুবা ফাওবদা পুবা য়াবনিনা থবক্তগী পোথারবা প্রোবেবল কেন্দিদেটশিংনসু এপ্লাই তৌবা য়াই। তৌবতবু মিনিষ্ট্রিনা পোষ্ট অসিগীদমক কৌবা এপ্লিকেসনশিং সবমিট তৌবা মতমদা মশাগী চহী ৬৫ শুদ্রিবা মীওইদি ওইগদবনি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, এম ঐচ আর দিদা পোষ্ট অসিগীদমক এপ্লাই তৌনরকখিবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা হান্না এম য়ুগী ভি সী ওইরম্বদগী দিসমিস তৌখ্রবা প্রোফেসর এ পি পান্দেদি এপ্লাই তৌরকখিদে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪দা মীওই ১১৮ পোজিটিভ ...

লামায় ১গী মখা... মীওইশিং অদু কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমদুনা লায়েং চথখিবগা লোয়ননা মীওইশিং অদুগা নক্লরুবা অমদি লোয়নরুবা অতৈ মীওইশিংগী খোঙ্গুল লিবা হোৎনরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

লায়েংদুনা লৈরকখিবা মীওই ১১৭ হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নেগেটিভ ওইরকপদগী দিসচার্জ তৌখি। সী আর পি এফকী ৪২, রিমসতগী ২, জেনিমসতগী ২, মৈত্রমগী কোভিদ ক্যের সেন্টরদগী ৩৩, সেনাপতিদগী ৩, এন আই ঈ এল আই টি চুড়াচান্দপুরদগী ৮, থৌবালদগী ২৩ অমসুং আর দি ৱিংদগী মীওই ৪ দিসচার্জ তৌখিবনি।

হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিগী অপূনবা কেস ৩৭৫৩ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৯৩০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৮২৩নি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১৯০৯ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১৩৫ য়াওনা অপূনবা মীওই ২০৪৪ দিসচার্জ তৌখি। হৌজিক হৌজিক এক্টিভ কেস ১৬৯৮ লৈবগী মনুংদা জেনরল পোপ্যুলেসনগী ১০১০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৬৮৮নি।

ক্লোরিন দাইওক্সাইদ থাদোকপা প্লাষ্টিক কোর্দ দিভাইস শীজিন্নবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, মপান লৈবাক্তা শাবা 'ভাইরস শট আউট' হায়বা ক্লোরিন দাইওক্সাইদ থাদোকপা প্লাষ্টিক কোর্দ দিভাইস শীজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলক্লে। দিভাইস অসিনা কোভিদ-১৯ ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগী খুদম ফংদ্রিবা মরম্না মীপূম খুদিংমক হীরম অসিগী মতাংদা চেকশিনবা তঙাইফদে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

এন্টিসিপেটরি বেল প্রেয়র তৌরকখিবা...

*লামায় ১গী মখা...*মেমোনচিংবা অমত্তা পীরমখিদে হায়রি। লোয়ননা ঙসিদগীনা চয়োল অনীরোমগী মমাঙদসু পুলিস টিম অসি য়ূমদা লাক্তুনা মহাকপু থিরখিবা লৈখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি, ইরেন্দ্রো লৈচোম্বমগী মায়কৈদগী মহাকপু পুলিস কেস অসিগী এন্টিসিপেটরি (পি-এরেষ্ট) বেল পীবিয়ু হায়বা প্রেয়র অমা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা থাসিগী ৬তা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী বেল পিটিশন অদুগী নম্বরনা এ বি-২৯ ওফ ২০২০নি। পিটিসন অসি পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ (ও সী) গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিসন অসি মথংগী নুমিৎ থাসিগী ৭তা চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকরগী বেঞ্চনা লৌখৎতুনা খন্নরগা পিটিস্নরগী মথক্তা পুলিসনা লৌখৎলে হায়রিবা এফ আই আর অসি নুমিত্তু ফাওবদি অপলোদ তৌরক্ত্রিবনা পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী মায়কৈদগী কেস অদু লৌখৎলব্রা অমসুং অপলোদ তৌরক্লব্রা নৎত্রগা তৌরক্ত্রিবরা হায়বদু ভেরিফাই তৌনবগী মতম পীবিয়ু হায়জরকপদগী কোর্টনা পীখিবগা লোয়ননা বেল প্রেয়র অসিগী মখা তাবা শরুকশিং খন্ননবা হয়েং (ওগষ্ট ১০, ২০২০) দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌননবা দিরেক্সন পীদুনা লৈরিবনি। দিরেক্সন অসিগী মতুংইন্না হয়েং মেট্টর অসি চীফ জষ্টিসকী বেঞ্চকী কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর - ১দা লিষ্ট তৌরিবনি।

অমরোমদা, ঙসি ফাজিনখ্রিবা মীওই অনীমক হয়েং পুলিসনা মখা তাবা মখোয়গী থবকশিংগীদমক কোর্টতা প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরক্কদৌরি।

কোভিদ-১৯গা লান্থেংনবদা ইন্দিয়াগী ডোক্টর ১৯৬...

*লামায় ১গী মখা...*ওইবদগী লৈখিদ্রে। হৌজিক ফাওবদা পূন্না লৈখিদ্রবা ডোক্টর ১৯৬কী মনুংদা জেনরেল প্রাক্টিস্নর ১৭০ য়াওরি।

ডোক্টর অয়াম্বা খুদোংথিবা মায়োক্লরকপা য়াবগী রিস্ক লৈ হায়না পল্লদুনা আই এম এনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাখিবা চরোল অমনা হায়, জেনরেল প্রাক্টিস্নর য়াওনা ডোক্টর অয়াম্বা মশাগী চহী ৫০ হেল্লবা মরম্না কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমা লায়েংলুবা মতমদা মশামক পোজিটিভ ওইরক্তুনা শিবা য়াবগী রিস্ক মায়োক্লে। ডোক্টরশিংগীদমক অখন্নবা চেকশিন থৌরাং কয়ামরুম লৌখৎপীবা তঙাইফদে হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরগী মীৎয়েং চিংশিনখি।

অশানমল পীদবগী য়ূম্বুনা তান্থোরক্লবা...

*লামায় ১গী মখা...*অসিদা ফোঙদোরক্লি। পাউচে কয়াদা লুপ কয়ানা লোকদাউন মনুংদা কাগী অশানমল লৌবা য়ারোই হায়না ফোঙদোরকখিবা লুপ খরগী মনাক্তসু চৎলগা ৱাকৎলুবা লৈখ্রে। অদুবু য়ূম মপুশিং অদুগা লুপশিং অদুগী মীওইশিংগা খৎনরগা অদুমক তুমিন্না লৈখ্রে। মখা তানা লুপকী মায়কৈদগীসু ৱাফম অমত্তা ঙসি ফাওবা ফোঙদোকপীরকখিবা অমদি য়ূম মপুগী মথক্তা এক্সন অমত্তা লৌখৎপসু লৈত্রি। মরম অদুনা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা ময়ূমদা হনবসু য়াদা অশানবা য়ূম অদুদা লৈবসু য়াদবনা খম থেংনা খুদোংচাদবা অৱাবা কয়া ময়োক্লরে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা অমদি লৈঙাক্লা হীরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবিদুনা অখন্নবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপীয়ু হায়নসু অশানবা কাদা লৈবা মীওইশিং অদুনা ফোঙদোরকখি।

অশানবা য়ূমদা লৈবা মীওই অমনা হায়, কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মফম কয়াদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোকখ্রবা মতম অসিদা থবক শুফম নোমফম খঙদনা লৈরিঙৈগী চৈরক অসিদা অশানবা য়ূমদগী তান্থোকপীরকপগী থৌওং অসি য়াম্নমক নুংঙাইতবা থৌদোক অমনি। অতোপ্পা মফমশিংদা চৎলগা লৈবদসু অকিবা ফাওবা অমদি খঙন-চান্নবা মীওইশিংগী মনাক্তা চঙদুনা লৈবসু লায়না অসিনা মরম ওইদুনা চঙহন্নিংদবা মরমনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। মতম শাংনা লোকদাউন তৌখিবনা থবক শুফম-নোমফম লৈতবা অমদি চানিংঙাই-থক্লিংঙাই লৈত্রিঙৈগী ৱানা লেল্লিবা চৈরক অসিদা লৈফম লৈরক্তবনা অমুক্কা হেন্না অচৌবা চৈথেং অমা পীবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা লমদম অসিদা লৈবিরিবা মরী লৈনবশিংনা অসিগুম্বা থৌওং অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চঙবিদুনা লৈফম লৈত্রবা মীওইশিং অসিগী মতেং পাংবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।